# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ শিংখা

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



মশক্তি শিং পাম্বীগা খরা মান্নরপ তৌবা অদুগা তংদুনা নৎত্রগা শায়দুনা য়েংবদদি মহাও অদু খাতক তৌবদগী পাম্বী অসিবু শিংখা হায়না কৌনবনি। শিংখা পাম্বী অসি ইংলিসতা শেম্পু জিঞ্জর (Shampoo ginger) নৎত্রগা বিত্তর জিঞ্জর (Bitter ginger), পাইন কোন জিঞ্জর (Pine cone ginger) নৎত্রগা পাইন কোন লিলি (Pine cone lily) নৎত্রগা ৱাইল্ড জিঞ্জর (Wild ginger) নৎত্রগা জেরুম্বেত জিঞ্জর (Zerumbet ginger), ফ্রেন্সতা জিঞ্জিমব্রে ব্লেঙ্ক (Gingembre blanc), চাইনিজদা হোঙ কুই জিয়াং (Hong qui jiang), বাংলাদেশতা জঙ্গলি আধা (Jangli adha), কম্বোদিয়াদা প্রাতিল ভোঙ প্রেন অতিত (Prateal vong prenh atit), জর্মনিদা ৱাইল্ডর ইঙৱর (Wilder ingwer), ইন্দোনেসিয়াদা লম্পোজাং (Lampojang), ইতালিদা জেঞ্জেরো বিয়াঙ্কো (Zenzero bianco), জপানিজদা নিগা সৌগা (Niga shouga), মালেসিয়াদা লাম্পোয়াং (Lampoyang), থাইদা কাথু (Kathue), ফিলিপিন্সতা লঙ্কাৱাস (Langkawas) নৎত্রগা বারিক (Barik), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতাটিকেলগী ওইবা মমিংদা *জিঞ্জিবর জেরুম্বেত [Zingiber zerumbet (Linn.) Roscoe ex Sm]* নৎত্রগা *জিঞ্জিবর এরোমেতিকম (Zingiber aromaticum Valeton)* নৎত্রগা *জিঞ্জিবর ব্লাঙ্কোই (Zingiber blancoi Hassk)* নৎত্রগা *এমোমম জেরুম্বেত (Amomum zerumbet linn.)* নৎত্রগা *দিতেরিচিয়া মেজর (Dieterichia major Raeusch)* হায়না কৌই অমসুং শিং অমসুং য়াইঙং পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি *জিঞ্জিবরেসী (Zingiberaceae)*দা চল্লি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না শিংখা পাম্বী অসি ভেরাইতি মখল খরা লৈ অমসুং মদুগী মনুংদা মরু ওইবা ভেরাইতি মখল খরদি - (ক) এরোমেতিকম (জিঞ্জিবর জেরুম্বেত ভেরাইতি এরোমেতিকম) (খ) আমারিকান্স (জিঞ্জিবর জেরুম্বেত ভেরাইতি আমারিকান্স) (গ) জেরুম্বেত (জিঞ্জিবর জেরুম্বেত ভেরাইতি জেরুম্বেত) অসিনচিংবনি।

ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৫৪ দা শিং পাম্বী কাঙলুপকী মমিং অসি Zinziber হায়না Miller হায়রিবা বোতানিষ্ট অসিনা থোনখ্রবা মতুং কুমজা ১৭৬০ দা জর্মনগী ফাওরবা বোতানিষ্ট Georg Boehmer না জেনেরা অসিগী মমিং অসি Zingiber হায়না ওনথোকখি। জিঞ্জিবর হায়রিবা ৱাহৈ অসি আরাবিক্কী ৱাহৈ জঞ্জাবিল (Zanzabil) হায়বসিদগী শেমখিদুনা গ্রীক্কী ৱাহৈ জিঞ্জিবেরি লাকখ্রবা মতুংদা কোন্নথংদা লেতিনগী ৱাহৈ জিঞ্জিবর (Zingiber) অসি ওইখিবনি।

শিংখা হায়রিবা পাম্বী অসি চহী কয়ামরুম পুন্সিবা, অথোৎপা ফুট ৪ ফাওবা ৱাংবা মনম য়াম্না চেনবা পাম্বীনি। য়াম্না ঈংবা নীংথম থাগী মতমদা লৈমায়গী মথক থংবা শরুকশিং অদু কংদুনা শিখ্রবসু মউ (Rhizome) অদু লৈনুংদা হিংদুনা লৈ অমসুং মথংগী শিজন লাকপদা অনৌবা পাম্বী অমসুং মনা পাল্লকই। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না শিংখা পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা খা থংবা চাইনা, ইন্দিয়া, নেপাল, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। শিংখা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরু ওইনা চীংখোঙ-চীংয়া, খোংবান-লুপান অমসুং পাৎথি-কোমথিশিংদা হৌই।

শিংখা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। শিংখা পাম্বীগী মউ অদু হিংনা নৎত্রগা ফুৎলগা নৎত্রগা থোংলগা চাবা য়াই। এঙ্গাং থোংবদা শিংখা পাম্বীগী মউ অদু শোইরগা নৎত্রগা শুগাইদুনা হাপ্তুনা মহাও হেঙ্গৎহনবা মচল অমা ওইনা হাপ্লে। মফম খরদিদি শিংখা পাম্বীগী কোন্তক তৌবা অনৌবা মনা অদু শিংজু হায়বদি সালাদ অমা ওইনা চানৈ। অনৌবা মতোন অদু মনা মশিং অমগুম্না এঙ্গাং থোংদুনসু চানবগী পাউদমসু লৈ। শিংখা পাম্বীগী মনা অদু অতোপ্পা চীঙ্গাকশিং মরু ওইনা অঙানবা চান্নবা পোৎলমশিং য়োমদুনা মৈদা লৌরগা নৎত্রগা ইলেক্ট্রিক্কী ওভনদা ঙান্দুনা মহাও হেঙ্গৎহনবগী ওইনা শীজিন্নে। কেক মখল খরা শেমম্বদসু শিংখা মনা অসি শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। নোংপোক্লোমগী অয়াম্বা লৈবাকশিংদা শিংখা পাম্বীগী মউ অদু মকক-মকক ককলগা শা-ঙা অমুসং ওকশা থোংবদা মহাও হেঙ্গৎহনবা ওইনা পাম্না শীজিন্নে। শিংখা পাম্বীগী মউ অদু পানা শোইরবা মতুং কংহলগা কুপ্না তকখায়রগা মসলা-মচল অমা ওইনা এঙ্গাং থোংবদসু শীজিন্নে। শিংখা পাম্বীগী অপোম্বা লৈশিং অদু অপীকপা লফু থরো অমগী মওং মাল্লি অমসুং মসি এঙ্গা থোংদুনা য়াম্না পাম্না চানৈ।

শিংখা পাম্বীগী লফু থরো মানবা লৈকুপ ময়াম পানবা ইনফ্লোরেসেন্স অসিদা য়াম্ন নংবা মচু য়াওদবা মহী (Slimy juice) অদু কোক্কী শম লুন্নবা শেম্পু অমা ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অসিনা শম অদু থোৎহনবগী মথক্তা মপোপ তাহল্লি অমসুং লংখৎহনবা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অদু হৱাইন লমদমগী নুপীশিংনা য়াম্না পাম্না অমদি তোয়না শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অনংবা মহী অদু ঈরুজদ্রিঙৈ মিনিট ১০ গী মমাংদা তৈদুনা কুচু ফজনবা শীজিন্নে।

শিংখা পাম্বী মউ অদুদা ইসেনসিয়ল ওইল হায়রিবা থাউ মখল অমা য়াওই অমসুং হায়রিবা থাউ অসি সাপোন, হকচাংদা কাপ্পবা মনম নুংশিবা থাউ অমসুং মাইতৈ হীদাকশিং শাবদা শীজিন্নে।

শিংখা পাম্বী অসি মখল-মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না শিংখা পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদু আজমা হায়বদি হরা-কংখু তৌবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। ইন্দোনেসিয়াদদি শিংখা পাম্বীগী মউ অদু খোং-হামথবা অমদি চাকখাওগী অনাবশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। অশোক-অপন অমসুং লৈথেক্তুনা চৈনা ফাওবা অদু শিংখা মউ শুগাইদুনা থোম্বদা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী। ব্রুনিগী মীওইশিংনা নুপীনা হেক মচা পোকপগা শিংখা পাম্বীগী মউ অদু ঈশিংদা শুগাইরগা হায়রিবা ঈশিং অদুনা ঈরুজবিবগী চৎনবী অমা লৈ। মসিনা নুপী মমা অদুগী হকচাংদা পকপা মহীক-মতাংশিং হাক্তোকপা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। তাং-তাং চীকপা নাবা তৌবদা শিংখা পাম্বীগী অরিবা মনা অদু অচাকপা মৈতালদা ফোং-ফোং শাহল্লগা থোম্বা মতমদা কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ফিলিপিন্সতদি শিংখা পাম্বীগী মউ অদু কংহল্লগা শেম্বা মকুপ অদু লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংগা পীথক্তুনা খোং হামথবা অদু লায়েংনৈ। কোক ঙাঙবা অমসুং নুপীনা মচা পোক্লবা মতুংদা থোক্কনবা অনা-অয়েকশিং অদু শিংখাগী মউ অদু পান্না শোইরগা যুদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। অঙাংনা য়াঙ চিংবা (কনভুলসন) মতমদা শিংখাগী মউ অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মী অদু লাইবক্তা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। ●




# ৱর্ল্ড আর্থ্রাইটিস দে - মালেমগী তাং-তাং নাবা লায়নাগী নুমিৎ

– ডা. সান্ত নাওরেম –
ইন চার্জ রুমাতোলোজি
মেদিসিন দিপার্টমেন্ট, রিমস ইম্ফাল

ওক্টোবর ১২ অসি চহী খুদিংগী ওইনা ৱর্ল্ড আর্থ্রাইটিস দে হায়বদি মালেমগী তাং-তাং নাবা লায়নাগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোকই। মসি কুমজা ১৯৯৬ তগী আর্থ্রাইটিস এন্দ রুমার্টিজম ইন্টর্নেসনল হায়বা ওর্গনাইজেসন অসিনা হৌদোকখিবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি ময়ামদা আর্থ্রাইটিস, রুমাটিজম হায়বদি তাং-তাং নাবনচিংবা লায়নাশিংগী মরমদা খঙহন্দুনা অকিবা, চিংনবনচিংবা লৈরিবদু কোকহন্দুনা নুংঙাইনা লৈবা ঙমহনবদুনি।

কুমজা ২০১৭ তগী Don't Delay, Connect Today হায়বদি থেংথরনু, ঙসিমক তানহৌরো হায়বা হীরমসিদা ময়ামদা খঙহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মসিগা লোয়না-লোয়ননা হন্দক চহীগী থিম ওইনা Time to Work - থবক হৌবা মতম ওইরে হায়বসি খনগৎলগা হাপচিল্লবনি। আর্থ্রাইটিস হায়বসিদি ঙন্না খঙদোক্লবা ডাক্তরগা তানরগা, ঙন্না হীদাক লাংথক তৌদুনা লায়েংহৌরবদি তুংদা লাক্কদবা ফত্তবা ফল (Complications) কয়াদগী ঙাকথোকহৌবা ঙম্মী, শোয়নাইহন্দবা ঙম্মী অমসুং ময়ামগা মান্নমা মীরক তিনবা ঙমহল্লি। টাইম টু ৱর্ক হায়বসি মীয়ামদা অমসুং হকশেলগী লম্দা থবক তৌরিবশিংদা পীবা পাউজেলনি। মরম অসিনা তাং-তাংগী নুংঙাইতবা হেক লৈবগা অখঙ-অহৈগা তানবিদুনা ঙন্না লায়েংহৌসি, কমপ্লিকেসন্সতগী ঙাকথোকহৌসি। অনা লায়েংগা মরী লৈনবা মীওইশিংনসু তাং-তাংগী লায়নাবু চেকশিন্না ঈগী অমদি ঈশিংগী চাংয়েংনচিংবা তৌদুনা অশেংবা অমা খঙদোক্লবা হোৎনবিয়ু।

আর্থ্রাইটিস-তাং-তাং চীকপা, নাবা, পোম্বগী মখলসি য়াম্না লৈখ্রে। অদুবু অয়াম্বনদি রুমাটোইদ আর্থ্রাইটিস, গাউট, ওষ্টিওআর্থ্রাইটিস, এস এল ই অসিনচিংবা অসিনি। অয়াম্বনা চহী ২৫ দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদনা হেন্না থোক্কল্লি। লায়না অসি নুপীনা নুপাদগী হেন্না নাগল্লী। কুইনা পোত্থারুরগা




খুদম ওইনা তুম্লুরগা, অয়ুক হৌগৎলকপদা খুৎ অনোপ-অতিং য়াদবা, অদুগা পুং অমা-অনীগী মতুং হায়বদি অয়ুক্কী চা-নুং থক্লমদাই মতমদদি অমুক মথন্তা য়াঙথোরকই। অদুনা ইমুংগী মীওইশিংনা লায়নাদুগী মরমদা খঙবীদ্রগদি অয়ুক্তা থবক নোম্বা তনবগীনি হায়দুনা লান্না লৌবিদুনা শাউননবগী, খৎননবগী মরম ওইহল্লি। অদুনা ইমুংগী মীওইশিংনসু লায়না অসিগী মরমদা শুগাইনা খঙহনবা অমা চঙই।

আর্থ্রাইটিস অয়াম্বনা হৌরকফম খঙদে। মমা-পুক্লুংদগী লোয়নরকপা হায়বসি মশাগী জিনদা য়াওজরকপা ওইনা লৌনৈ। অদুনা মমা-মপাদা লায়না অসিনা নারগদি মচা-মশুদা নাগল্লী হায়না লৌনৈ।

ওষ্টিওআর্থ্রাইটিস হায়বা অসিনা অহল ওইশিল্লকপগী কার্টিলেজ (শরূ অনীগী মরক্তা লৈবা অথোৎপা শরূ) তুমশিল্লকপদগী শরূ শোন্থরকপগী অনাবনি। মশা নোয়বা নুপীদনা হেন্না নাগল্লী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু লায়নাশিং অসি য়াম্না লৈ। চপ চাবা মশীংদি থিজিনবা হৌদ্রি অদুবু অনাবা তরাগী মনুংদা অমা-অনীদি তাং-তাং নাবা ওই। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০০১ গী BJD India-Bhigwan Model গী রিপোর্টতা ১৯.৫ ওইখি। (মণিপুর য়াওনা তৌখিবা ইন্দিয়া পূম্বগী সর্ভে অমনি)।

তাং-তাং নাবগী লায়েংবসি অনাবগা দোক্টরগা নকশিন্ননা লোয়নবা অমা চঙই। মতম চানা দোক্টরনা হায়বা মতমদা লাক্তুনা ঈগী চাংয়েং কয়ামরুম তৌগদবনি। মসিনা অনাবগী ফিভম, চারিবা হীদাক্কী সাইদ-ইফেক্টনচিংবা খঙবা ঙমহনগনি। হীদাক্তি মখল কয়ামরুম লৈখ্রে। দোক্টরনা খল্লগা থারক্কনি, মতম শুদনা নৎত্রগনা দোক্টরগা তানরমদনা খরা ফরে হায়দুনা হেক্তা লেপথোকপা য়াদে। মতম মতমগী মতুংইন্না ইশাগী ফীভম য়েংলগা চান-চানবা শাজেল কয়ামরুমসু ফিজিওথেরাপিষ্ট কাঙবুনা তাক্লক্কনি। হকচাংগী অরূম্বা হেলহনবসু ফত্তে, হন্থনবা হোৎনগদবনি।

গাউট নারবদি দাইট শেমদোকপা অমা চঙই- প্রোটিন হেন্না চাবা, ঙা মরূম, ঙারিঞ্জা, খজিং, থরোইনচিংবা চাবা য়াদে। ঈশিংদি মরাং কায়না থক্কদবনি। অতৈ লায়নাগীদি চাবদা থোইদোক্লা অথিংবা লৈতে। অদুবু মৈখু শীজিন্নবা, হীদাক মনা শীজিন্নবদি য়াদে। কেলসিয়ম, ভাইটামিন দি মরাং কায়না চাগদবনি। নুংতিগী শাজেল তৌদুনা অরূম্বা হেন্দনবা অমদি হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি।

মশাগী জিনদা য়াওজরকপা লায়না ওইবনা নারক্তংনবা ঙাকথোক্ল বগী পান্দম্বি থোইদোকপা লৈতে। তৌগদবা হায়ববু হকচাংগী অরূম্বা হেলহন্দবা, ফমজিন্দুনা লৈতবা, ৱাকিং চৎতুনা, জিমদা চৎতুনা হকচাং তীক-তীক লাউনা থম্মবা হোৎনবা, চুরুট-বিড়ি, জর্দা-খৈনি শীজিন্নদবা, কেলসিয়ম ভিটামিন-দি য়াওবা পোৎ-চৈ মরাং কায়না চাবা অসিনি। তাং-তাংদা নৎত্রগা মসলদা হেক নুংঙাইতবা ফাওরকপদা ঙন্না দোক্টরদা তানহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি।

[illegible] / খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোন্নগা অমাংবদু মপান্দা লোয়না থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎথোক্লগা লৌথোকপা, নিংগাংনা ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা লূমথরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাথৎপা, খোঙ হান্বা চংবা মতমদা শংলগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা, পোল্লগা লৈবা অদুদগী মরক-মরক্তা নাই থোক্লকপা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংবদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদা মতুম অমা তংলগা লৈবা থেংনবা, অমাংথোঙদা খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা হৈনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হান্বা লোইরকপা মতমদা খূৎ অদু য়াওনীংবা, নিঙ্গাংনা ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা লূমথরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাথৎপা, খোঙ হান্বা চাংবা মতমদা অদুম শংলগা লৈনীংবা, মরক-মরক্তসু পুক্তা য়েকপা-থিনবা তৌরগা তোলহাও ফাইরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কমলাক মরী নাবা অমদি কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4248/12 থাগৎচরিবী : **Y. Ranjana Devi,** Khongnangkhong

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্পা মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঞ্জংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No.999/SDC/M dt. 10/10/2019**
Oinam Munan Singh S/o (Late) O. Mangoljao Singh of Thanga Chingkha Khomlai.
-Vs-
1. (Late) Oinam Heiton Singh S/o (L) O. Hera Singh of Thanga Chingkha.
2. -do- Iboton Singh S/o -do- of -do-
3. -do- Khomdon Singh S/o -do- of -do-
4. -do- Mani Singh S/o -do- of -do-
[illegible] / **NOTICE**
Moirang, the 10/10/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৫- থাঙ্গদা লৈবা পাট্টা নং ৯০ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ২০০৫, এরিয়া ০.২১ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা কো-পাট্টাদারশিংগী মমীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা পিটিস্নর অসিগী মীংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।
HL-P/4072/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No.872/SDC/M dt. 18/09/2019**
Yumnam (O) Padamo Devi W/o (Late) Yumnam Nikunjabihari Singh of Tronglaobi Makha Leikai.
-Vs-
(Late) Yumnam Nikunjabihari Singh S/o (Late) Yumnam Thaniljao of Tronglaobi.
[illegible] / **NOTICE**
Moirang, the 11/10/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১- ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৭০৭/২৭৮৮ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ১০৯২/২৩৪২, এরিয়া ১.৬৪ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা লম অসিগী মনুংদগী এরিয়া ১.০০ অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।
HL-P/4072/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No.1001/SDC/M dt. 11/10/2019**
Lhingzakhawl W/o Lamkhomang of New Lamka (C/o Cinkhup Veng)
-Vs-
(Late) Thangkhohen S/o (Late) Lutzapau of New Lamka
[illegible] / **NOTICE**
Moirang, the 11/10/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১- ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৬৮১/২০৭৬ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৬৩৫৯/৬৫৩৩ এরিয়া ২.৫০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মথক্তা পীরিবা পিটিস্নর অসিদা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।
*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
HL-P/4072/12 Moirang

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No.1000/SDC/M dt. 11/10/2019**
1. Moirangthem Ojit Meitei S/o (Late) Moirangthem Tomba Meitei of Ngangkha Lawai
2. M. Mani Meitei S/o (L) Chaobhal Singh of -do-
-Vs-
(Late) M. Ibotombi Singh S/o (Late) Chaobhal Singh of -do-
[illegible] / **NOTICE**
Moirang, the 11/10/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫১- ঙাঙ্খলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৫২৪ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ২০৯৬ এরিয়া ০.৬০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচাশিং-মশুশিংনা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।
HL-P/4072/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।